# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 02-02-2025)

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- তুং কোইদবা মওংগী থবক শুবগী মওং মতৌ হায়বদি কোন্ট্রেক্ট দিভলপমেন্টকী ৱাখল্লোন অসিনা লৈবাক অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিংদা অয়েৎপা ওইহল্লি।

২) রাজ্যপাল- অজয় কুমার ভাল্লানা হায়- ৱেটলেন্দ বোদিশিং কন্নবা হোৎনবদা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবা তঙাইফদে।

৩) পোপি পান্বী য়ান্থৎপগী দ্রাইভতা অপনবা পীরকখিবা মীওইশিং ফাননবা সাইকুল পুলিস ষ্টেসনদা এফ.আই.আর অমা লৌখৎখ্রে।

৪) শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না সংসদতা ঙরাং পুথোকখিবা কেন্দ্রগী বজেৎতা দিপ ওসিন মিসনগীদমক লুপা কোতি ৬০০ খাক্তুনা থমলে।
অমসুং

৫) ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মনিপুর সনাগী তকমান ১১ য়াওনা পুন্না তকমান ২৫ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী মরিশুবা মফমদা লৈরি।

------

ডে (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- রাজ্য অসিদা চৎনরিবা তুং কোইদবা মওংগী থবক শুবগী মওং মতৌ হায়বদি কোন্ট্রেক্ট দিভলপমেন্টকী ৱাখল্লোন অসিনা লৈবাক অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিংদা অয়েৎপা ওইহল্লি।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা শিনদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কাঞ্চিপুরদা লৈবা লৈশাং হিদেনদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড ৱেটলেন্দস ডেগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মমাংদা কোন্ ট্রক্টকী খুখাংদা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎহল্লম্বা ইঞ্জিনিয়ার অমসুং ব্যুরোক্রেটশিং লৈবাক অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী খল্লগা থবক পায়খৎলম্বা নত্তে। মুখ্য মন্ত্রিনা মহাক্কী লুচিং মখাদা বি.জে.পি সরকারনা রাজ্য অসিগী চাওখৎ থৌরাংগা মরী লৈননা পায়খৎলিবা থবকশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

শ্রী বিরেন্না হায়- মাইনর ইরিগেসন বিভাগনা হৌজিক ফাওবদা লৈনুংদগী ঈশিং চিংখৎনবা পম্প ৫০০ হেন্না থমখ্রে অমসুং মসিগী মনুংদা খরদি নিংথমগী মহৈ মরোংশিং লোকপদা শিজিন্নবা হৌরে। মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- লুপা কোতি লিশিং ৩,৩০০ চংনা পায়খৎকদবা ইম্ফাল মনুংগী লম্বীশিং কোক্রিট ওইনা শেমবা প্রোজেক্টকী ৱার্কওদর থোকখ্রে অমসুং অথুবা মতমদা থবক পায়খৎপা হৌরগনি। মসিগা লোয়ননা লম খোপচিনদুনা যুম শাজিল্লম্বশিং তকথোকপগী থবক চথখিগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- ইম্ফাল তুরেল শেমজিন্নবগীদমক লুপা কোতি ৮৬ কী শেনফম কাইথরক্লে। মখা তানা ৱাইথৌ পাৎ অসি লম কোইবশিংগী মীৎয়েংফম ওইহন্নবা অচৌবা হি অমা মথং থা ফাওবগী মনুংদা থুংলরগনি।

থৌরম অদুদা বিভাগ অসিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা রাজ্য থাক্কী সিম্পোজিয়মদা মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথুমসু য়েন্থোকখি অমদি ৱেটলেন্স ওফ মনিপুর ভোল্যুম ৱান মীংথোনবা লাইরিক অমসু ফোংখি।

রাজ্যপাল (এল)ঃ রাজ্যপাল- অজয় কুমার ভাল্লানা হায়- ৱেটলেন্দ বোদিশিং কন্নবা হোৎনবদা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবা তঙাইফদে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী সেন্দ্রদা ঙসি লোক্তাক দিবলপমেন্ট ওথোরিতিনা শিনদুনা মালেমগী পাৎ কনবা নুমিৎকী পালন থৌরমদা রাজ্যপালনা হায়- ভারতকী ওইনা অপুনবা রমসর সাইট ৮৯ লৈ, মসিগী মনুংদা লোক্তাক পাৎ অসিসু

অমনি। এসিয়াগী ওইনা ভারতনা রমসর সাইট খ্বাইদগী য়াম্বা লৈবাক ওইরি অমসুং মালেমগী ওইনা অহুমসুবা লৈবাক ওইরি। মসিনা লৈবাক অসিনা অকোইবগী ফিভম কন্নবা হোৎনরিবা কয়া অসি ময়েক শেংনা তাক্লি। রাজ্যপালনা হায়- লোক্তাক পাৎপু নিংথিনা ঙাক শেন্দুনা থমহৌদ্রবদি তুংগী মরোলনা পাৎ অসিগী শক্তম উবা ফংলক্তবা য়াই। মহাকা হায়- ৱেটলেন্দ ডেগী পালন থৌরম পাঙথোকপা অসি লমদম অসিদা লৈরিবা পাৎশিং কন্নবা হোৎনবদা য়ামা মরুওই। রাজ্যপালনা হায়- তুংগী মীরোলগীদমক লোক্তাক পাৎ য়াওনা অতৈ পাৎশিংগী শক্তম কায়হন্দনা থম্বা তঙাইফদে। মসিগীদমক সরকারগী মাইকৈদগী পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎলি। মসিদা মীয়ামসু মতেং পাংবীনবা রাজ্যপালনা আপীল তৌখি।

থৌরম অদুদা ৱার্ক্স মন্ত্রি গোবিনাদ কোন্থৌজম, এম.এল.এ- এস. প্রেমচন্দ্র সিংহ, এল.দি.এগী চেয়ারমেন এম. অশিনিকুমারনচিংবা শরুক য়াখি।

ৱার্ল্ড ৱেটলেন্দস ডেগী থৌরমগা মরী লৈননা ময়াং ইম্ফাল কোল্লা খোংচিংথিগী লোক্তাক মপানদা মীয়াম, মহৈরোইশিং অমসুং অসাম রাইফলসনা লম তু শেংবগী থৌরম পাঙথোকখি। তুংদা মহৈরোইশিংনা পুখ্রি, পাৎ, তুরেল কল্লশি হায়বা বেন্নর পায়দুনা লোক্তাক মপাল তমা রেল্লি অমা চৎখি। নুমিৎসিগা মরী লৈননা কেটগোরি অনি থোকা লাইয়েকপা চাংদমবগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

ড্রগ (এল) ঃ ৱার ওন ড্রগস কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা কাংপোকপী এস.পি. মনোজ প্রভাকরগী মীৎয়েং মখাদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, সি.আর.পি.এফ অমসুং একজিক্যুতিভ মেজিষ্ট্রেটকী অপুনবা কাংবু অমনা সাইকুল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা হুংজাং ভিলেজদা ঙরাং পোপি পান্থী য়ান্থৎপগী দ্রাইভ চখ্রবদা মফম অদুগী খুঞ্জাশিংগা সেক্যুরিতি ফোর্সকা ডৎখৎনবদগী চরাংনবা থোকখ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা রাজ্য সরকারগী দিরেক্তোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্সনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা সাইকুল পুলিস

ষ্টেসনদা এফ.আই.আর অমা লৌখৎলে। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়- থৌদোক অসি সরকারনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা চেন্নরিবা মীওইশিং ফাদুনা আইনগী ওইবা চৈরাক পীগনি অমসুং মখা তানা পোপি পান্নী মাংহনবগী দ্রাইভ চথখিগনি হায়রি।

এল্লারেন্স (এল) ঃ নিউ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, শিংজমৈ (এন্দোস)না শিন্দুনা শিংজমৈ বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবী মশাগী চহি ৪০ মথক্কী নুপী ৫৫০ দা ইমা ইরৈমা মন্থলি এল্লারেন্সকী শেনফম বেনিফিসরি অমমমদা লুপা ৫০০-৫০০ ঙসি য়েন্থোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদা লৈবা মশাগী য়ুমদা পাঙথোকপা এল্লারেন্স য়েন্থোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিগী পি.সি.সি মেম্বর ওইনাম রোমেন্না হায়- রাজ্য সরকারনা ইমা নোংথাং লৈমা স্কিম হায়বা নুপীশিংগীদমক য়ামা ফবা স্কিম অমা হৌদোকখ্রে। শিংজমৈ কেন্দ্রগী ওইনসু হায়রিবা স্কিম অসিগী খুদোংচাবা ফংননবা নুপী কয়ানা চে থাজিনখ্রে। মরক অসিদা নুপীশিং অসিগী খল্লগা শিংজমৈ কেন্দ্রগী নুপীশিংগী ওইনা খনগৎলবা নুপীশিংদা মতম খরগী ওইনা ইমা ইরৈমা মন্থলি এল্লারেন্স হায়দুনা ঙসি য়েন্থোকপনি। ইমা নোংথাং লৈমা স্কিমগী শেনফমশিং লাক্লবা মতুংদা হায়রিবা এল্লারেন্স অসি পীবা লেপকনি। থৌরাং অসি সরকারগী ইমা নোংথাং লৈমা স্কিমগা চাংদমবা নত্তে।

ঙসি এল্লারেন্স য়েন্থোকপগী থৌরমদা শিংজমৈ ব্লোক কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম নিমিতা দেবী, এন্দোসকী প্রসিদেন্ট শরুংবম নবকুমারনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

ডে (এল) ঃ ৱিদো এন্দ ওর্ফান রিছোর্স দিভলপমেন্ট ট্রষ্ট ঘরিনা শিন্দুনা ৬ শুবা ৱিদো ডে সেলেব্রেসন ২০২৫ ঙসি থৌবাল নিংঙোম্বমদা লৈবা মিনি ষ্টেদিয়ম লম্পাক্তা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা ট্রষ্ট অসিগী ফাউন্দর নিংথৌজম গুনিলদ্রোনা হায়- ট্রষ্ট অসিনা মরুওইনা মপুরোইবা লৈখিদ্রবী

লুখ্রাবীশিং অমদি শেন্থোক লৈজদবা ইমুং মনুংশিংবু সমাজ অসিদা মতিং থোকা হিংবদা মতেং পাংদুনা লাক্লি। থৌরম অদুদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলা ৫ দগী লাকপা লিশিং ৫ রোমা শরুক য়াখি।

কেন্সর (এল) ঃ রাজ্য অসিগী কেন্সর লায়নানা নারিবা মীওইশিংদা শেলগী তেংবাং পীরিবা কেন্সর ৱারিয়র সপ্পোর্টকী ১০ রক শুবা শেনফম থিয়াম কোঞ্জিন মমাং লৈকাইদগী থিয়াম তাবাবী দেবীদা পীখি। শেনফম অদু ঙসি ইম্ফালগী প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা পীখি। খোঙথাং অসি ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপালদা লৈবা সিয়ার এন্দ কেয়ার অমদি কোনুং মমাংগী ফ্রাইডে চুহিং অনিনা পুন্না পায়খৎপনি।

থৌরম অদুদা ক্রিপা দসিনি এদভান্স হোস্পিতালগী সেনিয়র য়ুরোলোজিষ্ট প্রোফেসার শিনাম রাজেন্দ্র সিংহ অমসুং সিয়ার এন্দ কেয়ারগী ফাউন্দর অমদি ফ্রাইডে চুহিংগী চীফ পেত্রোল প্রোফেসার আর.কে. লেনিন সিংহ অনিনা অথোইবা মীথুং অমদি সভাপতি ওইখি।

দ্রাইভ (এল) ঃ নোনে জিলাগী মনুং চন্না লৈবা কম্বিরোল ভিলেজদা এক্ট টুগেদর ফোর এ ক্লিন পুইলুৱান হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা লম তু শেংবা অমসুং এৱারেনেস প্রোগ্রামগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি সি.আর.পি.এফকী ৮৭ শুবা বত্তাল্লিয়নগী মীৎয়েং মখাদা পুইলুৱান ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন্না শিনবনি।

ওবিত (এল) ঃ য়ুনাইতেদ নেসনেল লিবরেসন ফ্রন্ট, মণিপুর (য়ু.এন.এল.এফ-কোইরেং)কী কেপ্তেন চিরোম চিরোমচা অমসুং কে.ৱাই.কে.এলগী লান্মী মোইরাংথেম শুশিলনা লৈখিদবদা য়ু.এন.এল.এফ (কোইরেং)না অৱাবা ফোংদোরক্লি। লুপ অসিগী সেন্ত্রেল কমিতিগী সেক্রেটরি ওফ পাব্লিসিতিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- মখোয় অনি জনুৱারি ৩০ দা থোকখিবা খুৎ থোকবগী থৌদোক অমদা লৈখিদবনি।

ফেষ্টিভেল (এল) ঃ    থা অসিগী ৬ তগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদবা অনিসুবা ঐখোয়গী ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেলগী মেমেন্টো ঙসি এম.এস.এফ.দি.এসকী হোলদা পুথোকখ্রে।

মেমেন্টো অসি মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নবা পোনিগী শক্তম লৌদুনা ১৯৯৯ মণিপুর নেসনেল গেমসকী মাস্কোট দিজাইন তৌখিবা কালা ভাবনা বিশ্বা ভারতিগী এলুমনাই রোবিন ৱাহেংবমনা দিজাইন তৌবনি। ফেষ্টিভেল অসিদা মালেমগী সন ডান্স ফেষ্টিভেল য়াওনা অতোপ্পা তোঙান তোঙানবা ফিলম ফেষ্টিভেলদা মনা ফংখ্রবা মালেমগী ফিলম কয়া উৎকনি। ফিলম ফেষ্টিভেল অসিগী মরুওইবা শরুক অমা ওইনা ফিক্সন অমসুং দোক্কুমেন্টরি ফিলম নমিংবা মণিপুরগী দিরেক্তরশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা প্রদ্যুসরশিংগী মখোয়গী ফিলমগী ৱাকল্লোনশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনবসু পাঙথোক্কনি।

কোচিং (এল) ঃ     কুমশি চহিগী ঐচ.এস.এল.সি পরিক্ষা থাগদবা মহৈরোইশিংগী ওইনা নিংথৌখোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা থা অমা চুপা চত্থরকখিবা ১১ শুবা কে. গোজেন্দ্র য়ুনিক ফ্রি রিভিজন কোর্স ঙসি লোইশিনখ্রে। লোইশিনবগী থৌরম অদুদা সেন্তর অসিদগী মমাং চহিগী ঐচ.এস.এল.সি পরিক্ষাদা  মার্ক ৱাংনা ফংলকপা মহৈরোই ১৪ দা ৱার্ক্স মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা মনা মথুমশিং য়েন্থোকখি।

ৱাকৎ (এল) ঃ    থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা শলুংফম স্কুল ময়াদগী ফাজিনখিবা খুল ঙাকপশিং ঙসি ফাওবা থাদোরক্তববু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা নোংপোক ককচিং ইবুধৌ খন্লাংবা লাই লম্পাক্তা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। ৱাকৎ মীফম অসি নোংপোকপ ককচিং মৈরা পায়বী ইমা লুপ অমসুং ব্রাইট ষ্টার য়ুনিয়ন নোংপোক ককচিং অনিনা পুন্না শিনবনি।

মিসন ঃ    শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না সংসদতা ঙরাং পুথোকখিবা কেন্

দ্রগী বজেৎতা দিপ ওসিন মিসনগীদমক লুপা কোতি ৬০০ খাক্তুনা থমলে। মসি লৈবাক অসিগী য়ামা আশা লৈবা মিসন অসিগী মখাদা অখন্ননা শেন্বা সবমরসিবল সমুদ্রয়ান্না সাইন্তিষ্টশিং পুদুনা সমুদ্রগী ঈরোলনুংদা থিজিনগদবা থৌরাং অসি অনৌবা ইনোৎ অমা ফংলে। মিসন অসিগী মখাদা অরুবা সমুদ্রগী মফমশিং মেপ্পিং তৌবা অমসুং মী তোংবা সবমরসিবল টেকোলোজি শেমগৎপা য়াওরি। চেন্নাইদা বেজ তৌবা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ওসিন টেকোলোজিনা শাবা মী তোংবা সবমরসিবল সমুদ্রগী মিতর ৫০০ লুবা মফমদা চহি অসি লৌইশিল্লকপদা থানবা লৈবাক অসিনা পান্দম থল্লি।

গুজরাত ঃ গুজরাতকী দং জিলাদা লাই খুরুম্বা চৎপা বস অমা লোকখাদা তাশিনবদা নুপী অনি য়াওনা পুন্না মীওই মঙা শিরে, ১৭ না শোক্লে। মহারাষ্ট্রদগী লাকপা মীওই ৪৮ তোংবা বস অদু গুজরাতকী দ্বারকা তমা চৎপদা থৌদোক অদু থোকখিবনি। অশোকপা মীওইশিং অদু মনাক নকপা হোস্পিতালশিংদা হৌজিক লায়কন্নরি।

গেমস (এল)ঃ উত্তরাখন্দদা চথুরিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মনিপুর সনাগী তকমান ১১, লুপাগী ৯ অমসুং শেঞ্জেংগী ৫ পুন্না তকমান ২৫ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী মরিশুবা মফমদা লৈরি।

মণিপুরগী লাইশ্রম দেক্সন সিংহনা নুপাগী ৱান মিটর স্প্রিং বোর্দ ইভেন্টতা ওসি শেঞ্জেংগী তকমান অমা লৌবা ঙমখ্রে।

মেদল টেল্লিদা সাভির্সেস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্ডনা সনাগী ১৪, লুপাগী ৭ অমসুং শেঞ্জেংগী মঙা পুন্না তকমান ২৬ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি।

করনাতকনা সনাগী ১৩ য়াওনা পুন্না তকমান ২৩ ফংদুনা অনিশুবদা অমসুং মহারাস্ত্রনা সনাগী ১১ য়াওনা পুন্না তকমান ৪১ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

- শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল (এল)ঃ লমলোং থোংখোঙগী আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা ১৭ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৪-২৫ গী মেটচ অমদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা রাহি য়ু.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ  লময়ানবা হিজম ইরাবত নিংশিং লুপ খোংমন মংজিলনা অনিসুবা মাইবম মুনাল মেমোরিয়েল সোক্কর তুরনামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইরে। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা লময়ানবা হিজম ইরাবত নিংশিং লুপ খোংমন মংজিলনা সরাই এফ.সি নম্বোলবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

ক্রিকেট(এল)ঃ ৪ শুবা এম.এন.সি.এ. বোইজ অন্দর ফোরতিন তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি খুদৈবন্দ লম্পাক তাওথোংদা শান্নখিবা লিগ মেটচতা এম.পি.এ থৌনাউজমনা আর.এন.ই.এফ ময়াং ইম্ফালবু রন ২১৪ দা থোইখ্রে।

তুরনামেন্ট অসিগী পি.টি.আর.সি গ্রাউন্দ পাৎশোই পার্ট ফোরদা শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদনা এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকনা ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলবু রন ২৩৪ দা থোইখ্রে।

লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা লিগ মেটচ অমদা অল অমিন লিলোংনা রুল মৈত্রমবু রন ২৯০ দা থোইখ্রে।

সেদোক গ্রাউন্দ কোংবা ধোবী লম্পাক্তা লিগ মেটচতনা আর.সি.এ. লিলোংনা কে.এস.দি.ও ক্যামগৈবু ৱিকেট ১ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেটঃ  অনিশুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন অন্দর ফিফতিন ৱান ডে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ময়াই কোইবী পি.সি.সি গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা- অল অমিন লিলোংনা সেদো থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ১ দা থোইখ্রে। থাংমৈবন্দগী থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা লিগ মেটচ অমদা পি.সি.সি ময়াই কোইবীনা

এম.পি.এ থৌনাউজমবু রন ২৯৬ তা থোইখ্রে।

ফ্‌টবোল (এল)ঃ ক্যামগৈ য়ুথ পাইওনিয়র ক্লবনা শিন্দুনা ১৩ রক শুবা খাগেম্বা ফ্‌টবোল ট্রোফি ২০২৫, ক্যামগৈ হৈবোং মখোঙ লম্পাক ক্যামগৈ গ্রাউন্দদা ঙসিদগী হৌখ্রে। ঙসি অহৌবা নুমিৎকী শান্নবদা ক্যামগৈ য়ুথ পাইওনিয়র ক্লবনা ওল ষ্টার ক্যামগৈবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

------